# থেংলবসু থেংনা কংলৈপাক অমসুং সঙাই অমুক্তা কলহৌসি

**(ধর্ম্মনা চীং-তম খাইবোক তাহল্লম্লে। পোলিটিক্স অমসুং ইকোনোমিক্সনা মীখা পোল্লি। ত্রেননা ইম্ফাল এরিয়া য়ৌরক্লবদি সোসিএল্লি খুন্নাইসি মূৎখ্রগনি। সোসলগী অহোংবসিদগী কলহৌসি। কংলৈপাক কন্নবগীদমক থৰায় থাবা মীশক অমা ওইনা চহী ৩০ হেন্না পাউজেলশিংদা ইজরকপনি)**

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –

সঙাই ফেষ্টিবেল কুমজা ২০১০দা হৌখি। ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপগী এইম অসি করিনো? এইম লৈখিবা ফেষ্টিবেল ওইরগনা চহী অসুক কুইনা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিবেল অসিগী কান্নবা, কংলৈপাক্কী কৈবুল লমজাওদা লৈরিবা সঙাই অমসুং লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াইফবা খোঙথাং করি পীরিবগে? য়ূমলোন্নরিবা নাগালেন্দ ষ্টেটতা হান্না পাঙথোকখ্রবা হোর্নবিল ফেষ্টিবেলগী মতৌ তল্লগা পাঙথোকপা হৌখিবা ফেষ্টিবেল মাল্লি। মণিপুরগী মীয়ামদি থায়নদগী হৌনা মীতোপকী মতৌ তল্লগা পুন্সি হিংলক্লিবা ফুরুপনি। হৌজিকসু মতৌ তম্বা লেপত্রি।

ষ্টেট অনীসিদা হিংলিবা মীয়ামগী অমসুং মীয়ামগী মীহুৎশিংগী পুন্সি মহিংসি য়াম্না খেন্নে। আর্মি সর্ভিসতা লৈরিঙৈদা নাগালেন্দ অমসুং অসাম ষ্টেটকী ফম্নাইবশিংগা য়াম্না নক্লনা থবক তৌরকখি। কুমজা ১৯৮১দা শ্রী এস সী জামিরনা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা উন্নজখি। চহী অদুদা দিমাপুরদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটস কোংগ্রেস পার্টিশিংগী মীটিং অমা পাঙথোকখি। ইন্দিরা গান্ধীসু কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা শরুক য়াখি। নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা, চীফ সেক্রেটেরিশিংগা মণিপুরগীনা হায়নীংঙাই লৈতনা খেন্নে।

মতম অদুদা আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসকী গেষ্ট হাওসশিং দরকার লৈবদগী নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর এস সী জামির অমসুং নাগালেন্দগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট জে সী জামিরগা তোয়না উন্নখি। নাগালেন্দগী মীদি অতোপ্পগী মতৌ তমদে। ঙসি ফাওবদা নাগালেন্দ এম এল এশিং, এম পিশিং অমসুং ফম্নাইবা অমসুং প্রজা মীয়াম্না মীতোপকী মতৌ তল্লগা কুর্টা, পাইজমা, শাড়ীনচিংবা অমত্তা শেৎতে। মখোয় কনাগীসু মতৌ তমদে। বৃটিশতগীদি চাওখৎপা পুন্সি মহিংগী লম্বেল য়াম্না তমহৌখি। অদুগা লেত্রিন ফাওবা ফজনা শাবা ঙমদ্রিবা, লৌবুক-লমহাংদা ওপন লেত্রিন ওইরিবা, ময়াং মচাশিংগী দ্রেস অমসুং পুন্সিগী মওং মতৌদি মখোয় তমদে। খুনাইসিগী নুপী খরদি শাড়ী শেৎলবদি স্বর্গ য়ৌবগা চপ মান্নরি। অদুগা পকচবা নৎত্রগা পকচদবা ময়াংগী দ্রেস শেৎলবদি লমদম অসিগী ফম্নাইবশিংদি লেমজবগী-ফজবগী ঙমখৈনি খঞ্জরি। ইশানা ইশাবু মাঙহঞ্জরি।

কংলৈপাক অসি থায়নগী নিংথৌশিংনা লৈখা তানা ধর্ম্মনা মরম ওইরগা মাঙহল্লমখি। হৌজিকসু মফম মরাং খঙদ্রবা খুন্নাই অমা ওইনা হিংলি। মতম অমদা শুকখঙ খঙদবা অহে-অপা শাবা খরনা ঐখোয়দি অর্য়ান ব্লদনি হায়খি। অর্জুনগী মশুনি-মচানি, অৰাংবা থাক্কী ফুরুপনি হায়রগা-খল্লগা পন্দিটনি, মহাকবিনি হায়বিখ্রে। অদুগা হৌজিক্কী মতমসিদা সেদ্যুল্ড ত্রাইব অমুক ওইগে হায়রিবসিগী লোজিক অসি পংলবা ঐঙোন্দদি য়াম্না চমম্লবা অমা পোকই। কংলৈপাক্তা হিংলিবা পূম্নমক সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইফম থোকপনি। ঐখোয়সি জেনরেল কেটেগোরিনি, সেদ্যুল্ড ত্রাইব, কাষ্টনি হায়বসি কনানসু শেমখিবা নত্তে, ইতোমতা শেমখিবনি।

হৌজিক্কী মতমগী ফম্নাইবশিংনা মীতোপকী মতৌ তম্বদা পোলিটিকেল পার্টি অসি হোংদোক হোংজিন তৌনবা হোৎনবদা খুন্নাই অসিগী চাওখৎ খোঙথাংদা য়াম্না থেংথরি। নিংথৌগী মতমদনা রিলিজননা লৈখা তাহল্লম্লে। মতুংগী মীরোলনা চহী ২০/৩০/৫০ মুক্কী মতুংদা নোক্কদৌবা, নুংঙাইরোইদবা ৰাফমদি - দেল্লীদা পানবা লৈঙাক্তু মণিপুরদসু পান্দবা য়াদবরা হায়বা ৰাহংসি শোয়দনা হংনহৌগনি। ইংলিসকী সেন্টেন্স অমা "You cannot see your own image, if you are inside the frame" ইশা ইশাগী অরানবদি মতোমতনা খন্থজদবনি, লোৎশিনজবনি। মীগীদি মরাল থিবনি।

কংলৈপাক অসি থায়না নিংথৌগী মতমদা রিলিজননা লৈখা তানা মৰূ ফূক্লা মাঙহল্লমখি। হৌজিক্লা পোলিটিকেল্লি লৈখা তাহল্লি। কুর্টা, পাইজমা, শাড়ীগী কলচরনা চাওখৎলে, মখোয় মঙাইরে খল্লি। মথংদনা কংলৈপাক অসি শিংজু ওইগদৌরিবসি সোসল রিফোর্মেসন অমা লাক্কদৌরিবসিনি। মতম অদুদদি শক-চু, কুচু-কুমেন, শাগৈ-জাৎ, য়েক-সলাই, সোসলগী ওইবা চৎন-কাঙলোন পূম্নমক হোংলক্লগনি। চারৌ-মৌরৌনবসু হৌজিক্কী মতমদা মফম মরাং অমত্তা খঙদ্রবনি। লমচৎ-শাজৎ নাইদ্রবদি থায়নদগী হৌখ্রবনি। মূৎলমদাইগী খংঙান ঙানবা তাঞ্জা ওইরিবরা?

কংলৈপাক্তা ত্রেন হেক য়ৌরকপদা সোসল রিফোর্মেসন অসি অৰাংবা থাক্কী ওইরক্কদৌরিবনি। ঐখোয়গী কলচরেল আইদেন্টিটি পূম্নমক মাঙখ্রগনি। নাগালেন্দ, মেঘালয়া, মিজোরাম, সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশতদি ত্রেন য়ৌরোই। মীতোপ্পা লম লৈবা য়াদে। ইন্নর লাইন পর্মিট অসি য়াম্না ষ্ট্রিক্ট ওইনা চলাইরি। শেলনা লৈবা য়াবা ফম্নাইবা অমত্তা লৈতে। ত্রেন য়ৌরক্ত্রিঙৈদা মীতোপশিংসি পান্নবা ঙমদ্রি। ত্রেনদদি মশীং খঙদনা থোমজিল্লক্কদৌবনি। ইজরিবা ঐহাক্কী অপংবা ৰাখলদদি - ত্রেনগী অরোইবা ষ্টেসন অসি নোনেগী রানি গাইদিনলিয়ু অদুদা থম্বনা ফগনি খঞ্জে। ইম্ফাল এরিয়া য়ৌরকপা হায়বসি মতুংগী মীরোলশিংবু মূথুৎলমগনি। খুন্নাই অসি মাঙহনবগী খ্বাইদগী থুরগদৌবা খূৎলায়নি। নুংঙাইবা হেন্না পাম্বদগী পুন্সি থুনা-থুনা লোইরিবা অসিনি। মমিংতা ঙাইরবা কংলৈপাক শোয়দনা ওইরগনি।

লুক ইষ্ট পোলিসি, এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা ইন্দিয়াগী কান্নবা পোলিসিনি। মণিপুর মীয়ামগীদি য়াম্না কান্নবা নত্তে। হৌজিক্কী মতমদা কংলৈপাক অসি দ্রগশিংগী, ময়াই কাবা চিঞ্জাক ময়ামগী লম্বী চৎফম ওইরি। থায়না ওইরমদবা মওংনি। ত্রেননা মোরে য়ৌরগনি হায়রিবদু অফবা নত্তে। বর্মিজশিংদি চাইনিজগী পোৎ য়োনফমনি। বি আর টি এফনা লম্বী শেল্লিবা, চেকপল ৰাংনা খারিবদুগী মরম য়াম্না লৈরি।

হান্নদগী ফত্তবা-ফত্তবী, ওক্তবা-ওক্তবীশিংগী লোৎফম ওইরিবা মোরে মার্কেট অসিদি করি ফীভমদা লাক্কনি হায়বদি খন্থবা ঙমদরে। অফবদি করিসু ওইরোই। মশাগী ঈ শোয়রবা মীবু শেমদোকপা য়াগদরা? নোংম-নোংমগী ঈরাং হেনগৎলিবা মফমনি।



তুংগী খল্লগা, খুন্নাইসিদা শোয়রিবা অমসুং মতুংদা শোয়রক্কদৌবা ময়ামসি অখঙ অহৈশিংনা পুল্লপ পুল্লগা ৰারেপ লৌরগা থবক ওইনা খরা পাঙথোল্লবদি ফগনি খঞ্জে। নোংম-নোংমগী পুন্সিগী মতম লেনবসিদি মীরেমগী মপোকনি। লৈবাক্কীদমক অফবা খরদি হিংলিবা ঐখোয়না তৌরমগদৌবনি। মিৎকী ঙহাক্কী কুম্মৈ-ঈরাংসি খুন্নাইসিগী ওইবা তুং কোইবা অফবা নত্তে। কুম্মৈদা মতম শাংনা মাঙহনবীগনু।

বৃটিশনা পাল্লিঙৈদনা বৃটিশকা তিন্নে হায়বদি চারৌ-মৌরৌ ফাওবা তৌখ্রিবদুনি, চাওখৎলে খঞ্জখ্রিবদুনি। হৌজিকসু মীখা পোল্লিবা খুন্নাইনি। ময়াং মচাশিংগা খঙন-চান্নরবদি য়াম্না চাওখৎলে, ফরে খঞ্জরিবনি। মসিগী মরমদি ঐখোয় ইতোমতনা হিংজবা ঙমদবগীনি। মীগী মতেংনা ঐখোয় হিংলি। চিনদা হুক্লিবা পোৎ চৈশিংসি লমদম অসিগী করি করি য়াওরিবগে?

নোং ফজনা তাখিদবা, হার মতম চানা ফংখিদবনা মরম ওইরগা হন্দক চহীগীদি ফৌথোক য়াম্না ৰাৎলি। কংলৈপাক্কী লৌমীশিংদা হার ফংদ্রগা ফম্নাইবশিংনা য়োনখিবা হারগী ত্রক লোদ কয়াদি বর্ম্মা ম্যান্মারদা লোন্না লোন্না য়োনখি। পাউচে খরদি ফোঙখি পাউদু। চৈরক অসিদা সঙাই ফেষ্টিবেল নবেম্বর ২১দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি। লৌ খাওবা লোইনদ্রি। লম্বী সরক, কৈথেলদা ফাওবা মী ইহাঙ হাঙলিবা মতমনি। নাগালেন্দগী হোর্নবিল ফেষ্টিবেলনা হান্নদগী হৌনা দিসেম্বর ১দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্লি। মতম চাদনা পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিবেলনি হায়বা য়াই। লৌ লোক্লগা নিংথমগী মৰূ মরাং থাবা, থবক য়াম্না চিনবা মতমনি।

য়াওশঙ মমাঙদা নৎত্রগা য়াওশঙ মতুংদনা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগী চপ চাবা মতমনি খল্লি। চহী অমদা নুমিৎ ৩৬৫, থা ১২ লৈরিবা মতমসিদা লমদম অসিগী মেজে ারিটিদি হুমাং তাবা থবক ইশু শুদে। থা ১২গী মনুংদা থবক শুরিবসি থা ৩তনি। থা ৯দি মতম মাঙহল্লগা হিংলিবা মীয়ামনি। ৰাখল মুন্না খন্দনা পংহিং হিংলিবা খুন্নাইনি হায়দবা য়াদ্রি।

কংলৈপাক্লা হেক লৈরকপদগী লৈরক্লবা সঙাইনা হেন্না মরু ওইবরা নৎত্রগা লোক্তাক প্রোজেক্টকী ফীদর ওইরিবা ইথাই দাম মচা কুমজা ১৯৮৩দা শাখিবা অসিনা মরু ওইরিবরা হায়বসি অমুক্তা খন্থবীয়ু। লোক্তাক প্রোজেক্ট অসিদি লোক্তাক পাৎ অসি মতুংদদি শোয়দনা চহী খরগী মতুংদদি কংহল্লগনি। নোংগী ঈশিংসি মালেমসিদা উ-ৰা কোকখিবদগী চহী খুদিংগী ৰাৎনা তারি। লোক্তাক পাৎসু নোংমদি শোয়দনা পাৎ ওইরোই। হৌজিক কৈশাম্পাৎ, পোরোম্পাৎগুম্বা মিংগীদমক ওইরিবসিনি। ইথাই দাম মচাসিনা সঙাইগী লৈফম ওইরিবা কৈবুল লমজাওগী ফুমদিশিংবু মাঙহল্লি। সঙাইগী পুন্সিদা অৰাবা য়াম্না পীরি। মনিং মখা তম্না শান্নবা, হিংবা ঙমদরে। লোক্তাক প্রোজেক্ট নোংজু থাগী মতমদতা চলাইবা য়াই।

পৃথিবীগী অতোপ্পা মফম অমদা ফংদবা জীব অসি ঐখোয়গীদি মনি-মুক্তানি, সনা লুপাদগী হেনবা মহৌশানা পীবা খুদোলনি। অসুক য়াম্না মমল লৈখ্রবা জীব অসিবু মীরাইরগা মণিপুরবু মৈ ঙালহনবা ঙমদ্রগা লোক্তাক লেক কংহল্লিবা হায়দ্রো প্রোজেক্ট অসিবু শৌগৎতুনা য়েংলিবা ঐখোয়মুক ৰাখল খন্দবসি সংসারসিদা লৈরমলরোই। সঙাই মাঙখিবা হায়বসি কংলৈপাক মাঙখিবগুম্বনি।

সঙাই কনসি, কংলৈপাক কনসি। ঐখোয় মীকপ থোকসি। সঙাইগীদমক ঐখোয় পূম্নমক্লা অঙম্বা দান তৌসি। কংলৈপাকপু কনবীনীংবা কাঙলূপ ময়াম্না ৰাখল অমুক্তা পুল্লগা কংলৈপাক অমসুং সঙাই কনসি।

সঙাই ফেষ্টিবেল অসি কংলৈপাক্কী সঙাইগী য়াইফনবা পাঙথোকপা কুম্মৈনি খঞ্জে। ৰাফম অসি য়াম্না লূম্না থল্লগা থম্মোয়দা অফবা শীংথানীংঙাই ওইবা থবক থৌরমশিং মীয়ামগীদমক হোৎনবীরম্মু। লৌশিনবগী, পৈশিনবগী, খোমজিনবগী অরোইবা নাইবা মীওইশিং ওইবিয়ু। মপুগী থৌজাল ফংগনি। পেন্দলাই চুবা হংলাই ওইবীরগনু। ●

ষ্টেটকী পাউ

## পূমহিং হিংলগসু পুলিস পর্সনেল ২০০মুক য়াওশিন্দুনা...

*লামায় ১গী মখা...* শরুক য়ারম্বা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদদি পার্ক অসিগী থবক থৌরমশিং হৌখিবা জুলাইগী থাখায় অদুৰাইদগী হৌরকখিবনি। অদুবু হৌগৎলকপা মতমদা মফম অসিদা এথনিক হেরিটেজ পার্ক অসি শাগদবনি হায়বা মীয়ামগা শাবা য়ারোই হায়বা মীয়ামগগী মরক্তা মূক্লবা থোরকপদগী মতম খরা পার্ক শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্লুদ্রে। অদুবু লৈঙাক্লা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা চঙশিল্লকপদগী ওগষ্টকী থাখায় চল্লকপা অদুৰাইদগীদি মথৌ তাবা মচাক পূম্নমক পুশিল্লক্তুনা লেপ্তুনা শেমগৎপা হৌরকখিবনি। লাইবক থীবদগী মমাঙ থাদা নুমিৎ খরনি নোং অমুক চুশিন্দুনা পার্ক মনুংদা পোৎ চৈ পুশিনগদবা গাড়ীশিং চঙবদা লৈখোম-লৈনাংনা খুদোংচাদবসু নুমিৎ খরনি মায়োক্ল হনখ্রে। অদুবু পার্ক অসিগী চঙফম য়ৌনা শেমগৎলিবা লম্বীগা মান্ননা পার্ক মনুংগী শরুকশিংসু লৈবাক থোনজিন্দুনা শেমগৎলক্লবা মতুংদা পার্ক মনুংদা লৈগদবা মীয়ামগী মীৎয়েংফম ওইগদবশিংসু লেপ্তুনা শেমগৎলকখিবনি। ফেষ্টিবেল অসি হৌগদবা শুপ্নতগী নুমিৎ হুমনি খক্তা ঙাইশিল্লকপনা অয়ূক-নুংথিল অমসুং নুমিদাংদা খক্তা নত্তনা অহিং ফাওবদা লেপ্তুনা শেমজিন শাজিনবগী থবকশিং চখ্রি হায়রকখি।

পার্ক মনুংদা মথৌ পাঙথোক্লম্বা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পুলিস ষ্টেসন অমগী ওফিসর ইন চার্জ অমনা ফোঙদোরকখিবদা ফেষ্টিবেল হৌবা নংনবা থবক শুরিবা ময়ামসি য়ামদ্রবদা নোংয়াই মতুং পুং ১ তারকপা ফাওবদি লেপ্তুনা থবক শুই। অদুগা ঙাইহাক্তং পোত্থারবা মতুংদা অঙনবা অয়ূক্তগী হৌরদুনা লেপ্তুনা অমুক মাগী-মাগী থবকশিং শুনরকপনা তঙাইফদনা ফেষ্টিবেল হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা পার্ক অসিগী ওইফম থোকপা মশকশিং মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরকখি।

অদুগা পার্ক অসিগী মনুংদা শাগৎলিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ৩৪গী মনুংদা অমা ওইরিবা খারম ফুরুপকী মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা ফুরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক্কী মহুৎ শিনবা অমসুং মশক তাকপা য়ূমশিং শারিবা অসিদা নুমিৎ হেন্না চঙবগী মরমদি মপূং ওইনা শাগৎলকপদা য়ুম্ফম পাকা তৌবা অদুগা মসিগী মথক্তা য়োৎ শীজিন্নদুনা পার্মিনেন্ট ষ্ট্রকচর ওইনা শাগৎলক্লবসু অদুগা মতমগা চুনবা পোৎলমশিংনা ফক্লাং খাগৎলবসু য়ূমশিং অসিদি পুৰারীগা শাগোন্নরকপা ফুরুপ-কাঙলূপশিংগী য়ূমশিং ওইগদবনা য়োৎনা মখোঙ হৌরগা মতমগা চুনবা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা ফক্লাং খারগসু লমদম অসিগা শাগোন্নরকপা উ-ৰা শীজিন্নদুনা অমুক হন্না ফক্লাং খাজিনবা অমসুং কুপশিনবনচিংবগী থবকশিং তৌরকপনা অনী থোকপদগী মতম খরা শাংনা চঙবনি হায়রকখি।

মখোয়গী খারম ফুরুপকী ওইনা শাগৎলিবা য়ূম অসিসু খরা পীকখ্রে অদুবু মসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অশোয়বদি নত্তে। মখোয়না য়েক্লগা পীখিবা মতমদা খরা পীকখিবনি। য়ূম অসিগী মমায়দা ময়েক থোক্লা খাগদবা ফক্লাংশিংসু য়াওবনা মতম খরগসু হেন্না চঙবনি হায়রকখি।

অমরোমদা, ফুরুপ ৩৪গী মনুং চল্লিবা মীতৈগী য়ূমজাওগী ফীভমদি য়োৎনা মখোঙ হৌরগা থোঙ-থোঙনাও উনা পানশিনবা অমসুং ঈ কূপ্পনবা কাঞ্চি হাইগৎপদমক লোইহৌরি। অদুবু য়ূম অসিবু শারিবা শিন্মীশিংদা চঙশিন্দুনা হংলুবদদি হয়েং ফাওবগী মনুংদা ঈ কূপ্পা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়রকখি।

চৈরক্তুদা পার্ক মনুংদা লৈরম্বা খুঞ্জা অমনদি মৈতৈগী য়ূমজাওদি মহৌশাদগী মমাঙ ওল্লগা শানবনি। অদুবু হৌজিক শাগৎলিবা য়ূমজাও অসিদি মমায় মনিং ওল্লে হায়রকপগা লোয়ননা অদুঙৈ হাপ্তা কাংজেবুংদা শাখিবা হেরিটেজ পার্ককী মনুংদা য়াওখিবা মৈতৈ য়ূমজাওগীদি শুমাংদা মেরা থাওমৈ থানবগী ৰাতোননচিংবা য়ুংবসু লৈখিবনি। মরম অসিনা হৌজিক শাগৎলিবা মৈতৈ য়ূমজাও অসি মনিং ওল্লবসু থোইদোক্লা কায়দে হায়রবা ফাওবদা মেরা থাওমৈ থানবগী ৰাতোন অমা য়ুংবা অদুমক্তি য়াওহন্নীংই হায়রকখি।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ হেল্লকপা ফাওবদা লৈখিবা পার্ক অসিগী ফীভমগী মতাংদা পার্ক অসিবু শুপ্না দিজাইন তৌখিবনি হায়বা খুরাই সলানথোংগী হুইদ্রোম দিজাইন ষ্টুদিওগী প্রিন্সিপাল দিজাইনর সুরেস হুইদ্রোমগসু হকথেংননা থেংনরকখি।

মহাক্লা ফোঙদোরকপশিংগী মনুংদা পার্ক অসিগী মনুংদা শেমগৎ শাগৎকদবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী য়ূমশিং য়াওনা অতৈ মোদেলশিংগী মতাংদা ফাইনেল ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু প্রোসেস কানবা য়াদবনিনা মীটিংনচিংবা মথং-মথং পাঙথোক্তুনা অখঙ অহৈশিংগী ওপিনিয়ন লৌরকপনা মতম খরা চঙজখিবগী ৰানি অদুবু হৌজিক নুমিদাং অমসুং অহিং ফাওবা খাক্তনা শিন্মী ৩৫০ রোম্না লেপ্তুনা থবক শুরি। মসিগী মথক্তা মখোয়বু মতেং পাংনশিন্নবা পাঙ্গৈদা ত্রেনিং তৌরিবা পুলিস পর্সনেল ১৫০দগী ২০০ রোম লাক্তুনা নুমিৎ খুদিংগী মতেং পাংবীররি হায়খি। অতৈ মতমশিংদসু মোইরাং খুনৌগী পার্ক অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং থৌওইনা চঙবীরক্তুনা অঙম অঙম্বা মতেং পাংদুনা ফেষ্টিবেল হৌবা নংনবা মপূং ফানা লোইশিন্নবা কন্না হোৎনরি হায়খি।

পার্ক অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুপা ক্রোর ৪৫.৬ রোম চঙনা শেমগৎলকপনি। পার্ক অসি খক্তা নত্তনা কৈবুল লমজাওদসু ষ্টোলশিং চপ মান্ননা শেমগৎলক্লিবনি। থবকশিং অসি মপূং ওইনা মণিপুর পুলিস হাওজিং কোর্পোরেসন (এম পি ঐচ সী) না শুবনি হায়রকখি। অদুগা পার্ক অসিগী পাক চাওবসি পূন্না অহানবদা একর ১৩.৮ লোম ওইরম্বদু হৌজিক্তি খরগসু হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্দুনা একর ১৭.৫ রোমগী এরিয়া পাক চাওরে হায়খি।

মণিপুর মীয়ামগী লন ওইহৌরগদবা এথনিক হেরিটেজ পার্ক অসি শেমগৎ শাগৎপদা চঙলিবা লমশিংগী মপু খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগীসু করিগুম্বা মখল অমত্তগী অয়েৎপা-অপনবা পীদে। অহোইনদুম মশা মশানা খঙনা লম পুথোক্লদুনা মতেং পাংনরকপনা ফেষ্টিবেল অসি হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মপূং ফানা অমসুং মায় পাক্লা লোইশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরকখি।

পার্ক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা শক্তম অমনা লৈঙাক্কী পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি) গী মায়কৈদগী মণিপুরগী অহানবা ওইনা 'ৰাটর এ টি এম' গী খুদোংচাবশিং হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেল হৌদোকপা থা অসিগী ২১দগী মীয়ামদা ফংহল্লগনি হায়রকখি। খুদোংচাবা অসিমক ফেষ্টিবেল অসিগী ভেন্যু অমা ওইগদৌরিবা ইবুধৌ মাজিংগী এরিয়াদা শেমগৎলিবা অসিদসু লৈগনি। ৰাটর এ টি এম অসিদা মীয়াম্না লুপা ২ চৎপীগী শেল ময়েক অমা শীজিন্নরগা লিটর অমগী চাংদা ঈশিং ফংগনি। করিগুম্বা মীওই অদুনা লুপা ১০ শীজিন্নরগনা লিটর ২০ চনবা জার অমগী ঈশিং ফংগনি হায়রকখি।

অমরোমদা, ফুরুপ-কাঙলূপ ৩৪গী মহুৎ শিনবা অমসুং মশক তাকপা শঙশিং অসি মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা থা অসিগী ১৯গী অয়ূক পুং ১০দা লোইনমক শঙ্গাগদবনি। হায়রিবা মতম অসিগী মমাঙদা মপূং ফানা লোইশিন্নবা অকনবা পাউতাক পীরম্লে হায়রি।

লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী য়াওনা থাঙ্গগী এম এল এসু য়াম্না তোয়না লাক্তুনা পার্ক অসিগী শেমগৎ শাগৎলবিশিং য়েংশিল্লখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মোইরাং খুনৌগী এথনিক হেরিটেজ পার্ক শেমগৎলিবা মফম অসি কৈবুল লমজাও পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অদুগা থাঙ্গ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মখাদা লৈবা এরিয়ানি হায়রি।

মফম অসিগী শরুক খরদি হান্না ব্লোক ওফিস ওইনা শীজিন্নরম্বগা লোয়ননা অসাম রাইফলসকী পোষ্ট অমসু লৈরম্মী হায়রি।

### চোকথবা লৈতনা নীংতম য়াওল ...

*লামায় ১গী মখা...* শেমজিন-শাজিনবা পাউদমশিংনা কনফ্লিক্ট সিচুএসন লৈবা লমদম অসিদা লোইলম লৈঙাক অসিনা নীংতম য়াওল অসিবু রিফোর্মেসন অমা পুরক্লবগীরা নৎত্রগনা রেভল্যুসন অমা পুরক্লব্রা হায়বসি মীয়ামদা চমম্লবা পোকহল্লে হায়রি।

পোলিটিকেল আইদিওলোজি অমগী রেভল্যুসনবু রিফোর্মেসন ওইনা লৌনরকপগী মওংদা প্রোপেগন্দা তৌরিবা অসি য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওই। লৈঙাক্কী মকোক্লা লমদম অসিগী মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা অমসুং নীংতম য়াওল ঈহৌ অসিবু নাথৈদুনা পুনবা হোৎনরিবা থৌওংশিং কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই অমসুং মদুবু চপ-চানা থেংননবা প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মিনা মতম পূম্বদা শেম শা লৈ হায়বসি ইরৈচাশিংদা থমজরি হায়রি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি
ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯏꯟꯁ꯭ꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯣꯐ ꯇꯦꯛꯅꯣꯂꯣꯖꯤ
मणिपुर इंस्टिट्यूट ऑफ़ टेक्नोलॉजी
MANIPUR INSTITUTE OF TECHNOLOGY
(A Constituent College of Manipur University)
TAKYELPAT, IMPHAL – 795 004 : MANIPUR

ꯑꯍꯥꯏꯕꯒꯤꯗꯃꯛ / ADVERTISEMENT
Imphal, the 17th November 2022

No. I/4/2010-MIT(Guest Faculty)Pt:5734 It is hereby notified that I (one) Guest Faculty (Management) on contract basis will be appointed initially for a period of 6 (six) months in Manipur Institute of Technology through **walk-in-interview.**

**Essential Qualifications:**

Bachelor's Degree in any discipline and Master's Degree in Business Administration/PGDM/CA/ICWA/M.Com with First Class or equivalent and two years of professional experience after acquiring the degree of Master's Degree.

**Honorarium :** Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs.50,000/- (fifty thousand) only per month.

**Date of Interview : 01/12/2022**

**Place of Interview : Vice-Chancellor's Committee Room, Manipur University.**

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents between 10:00 a.m. and 11:00 a.m. on the same day.

Sd/- **Prof. N. Basanta Singh**
Principal

HL-B/7901/18

ADVANCED COACHING INSTITUTE
FIRST COME FIRST SERVE BATCHES (EVENING)
4.30-7.50 PM/ 4.15–7.40 PM
4.10-7.30pm 4.30 to 7.30 am
OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE & COHSEM EXAM
HSLC 2022 TOPPERS 13 STUDENTS
2nd Post, 9th Post, 10th Post, 11th Post, 15th Post DHANAJIT, 16th Post SWATI, 17th Post KHEMLA, 17th Post NEVITA, 17th Post AVANTIKA, 7th post SHAGEINGANBA, 9th Post BIDAYA, 23th Post, 24th Post KHENIKA
SCIENCE: 11 TH Post NEVITA, 4TH Post ROBINSON, 6TH Post SHAH MINHAZ, 8th Post ANJU, 9th Post ANAND, 16th Post THOUNGAMBA SAMANANDA
ARTS: 3RD Post FIROJH, 7TH Post OBINKUMAR, 8th Post PARITON, 8th Post PARIHAN, 10th Post SANATHOI, 5th Post SHARMELI, 5TH Post BERON, 8th Post LINTHOINGAMBI, 10th Post BRINDASHI
STATE BOARD (BOSEM & COHSEM)
REVISION 1st BATCH (2022-23) X - XII
CLASS X-3rd NOV XII-3rd NOV (Sc/Arts/Com)
LAST DATE OF FORM SUBMISSION : 31th OCT
REVISION 2nd BATCH 2022-2023) X - XII
X- 21th NOV(BOSEM) XII- 21th NOV (SC/ARTS)
LAST DATE OF FORM SUBMISSION : 15th NOV
CENTRAL BOARD (CBSE)
CBSE REVISION 1st (BATCH) X-XII
CLASS X-4th NOV XII- 7th NOV
LAST DATE OF FORM SUBMISSION : 3rd NOV
HURRY LIMITED SEATS
REVISION COURSE (2nd Batch)
X-18th Nov XII- 17thNov
Last Date of submission :15th NOV
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE(2023-24) OF CLASS X & XII STARTED FROM 2nd week of DECEMBER.
SPECIAL CONCESSION ON ACIAN, GOVT. SCHOOL, 85% AND ABOVE STUDENTS, PRINTED STUDY MATERIALS, MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH 9862992105
HL-B/7878/20/10-19/11